এন লোকেন এক্স এম এল এগী ৱাফম ইন্দিয়ান সিটিজেন অমগী ভোটিং রাইট মশক খঙদবনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :

লমদমসিদা ফোঙবা পাউ-চে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া খরদা নম্বোল এ সিগী এম এল এ ওইরম্বা এন লোকেননা থমখিবা ৱাফম ইন্দিয়ান সিটিজেন অমগী ভোটিং রাইট মশক খঙদবনি হায়না নম্বোল এ সিগী উৎলৌ সাই কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসিগী পিছ কম্মিটিগী মাইকৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পিছ কম্মিটি অসিগী কোওর্দিনেটর দিলিপকুমার তোংব্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মমাং চহী মে ৩ দগী থোক্লিবা লাইবক থীবা কাংলুপকী ইরাং অসিনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাঞ্জেন্নদুনা উৎলৌদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা ইনমেটশিং, নম্বোল এ সিগী ২৪/৩ উৎলৌদা লান্না হাপচিল্লে হায়বা ৱাফম অসি এজুকেসন মিনিষ্টর অমসুং কেম্প অসিবু চল্লাইরিবা কম্মিটি নম্বোল এ সিবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবগী থৌশিলনি।

ইলেক্টোরেল রোল ২০২৪ দা মীং য়াওরবা ইনমেটশিং অসিদি এফিদেভিট অমসুং কন্সর্ন ফোর্মদা মশানা য়ানা খুৎয়েক পীরবা ঙাক্তনি। ইনমেটশিং অসিগী হৌরকফম চুরাচান্দপুরদা চৎলগা ভোট থাদবা য়াররোইদবনা মরম ওইরগা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা উৎলৌদা ভোট থাদজগে ভোটিং রাইট ফংহনবিয়ু হায়না পিছ কম্মিটি নম্বোলদা হায়জরকপদগী ভোটর ইনরোল তৌবদা চংবা দোক্যুমেন্টশিং শুনা য়াওরগা কন্সর্ন ই আর ও দা এপ্লাই তৌখিবনি।

ইন্দিয়ান সিটিজেন অমসুং ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুয়েন্সি অমদা মশাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না ভোট থাদবা য়াই হায়বসি এ সিগী হান্নগী এম এল এ না খঙলমদবসি লাইবক থীবনি। হিরম অসিগী মতাংদা খুদম ওইনা হায়রবদা মণিপুরগী হান্নগী গভর্নর নাজমা হেপ্তুলাহ শগোলবন্দ এ সিদা ভোট থাদখি হায়বসিসু নীংশিংবীয়ু।

এক্স এম এল এ মশামক সঙাইপ্রৌদা লৈরগসু নম্বোল এ সিগী লৈমাপোকপম পোল্লিংদা ভোট থাদরিবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

জিরিবামদা দিপোজিটর এজুকেসন এন্দ এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :

ঙসি আর বি আইগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী হিল গার্দতা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা দিএমএময়ু এমএসআরএলএম না শিন্দুনা দিপোজিটর এজুকেসন এন্দ এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট ইন চার্জ থোংবম লেনোন, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ব্লোক মিসন মেনেজর ৱাহেংবম প্রেমচান্দ, দিষ্ট্রিক্ট এসিষ্টেন্ট একাউন্টেন্ট ৱাংখেম প্রমোজিৎ, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ব্রাঞ্চ মেনেজর এম এস সি বি লিমিটেদকী অয়েকপম থোইবা অমদি হিংমিন্নসি ভি এল এফ কী এস ঐচ জি ৪ গী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট ইনচার্জ থোংবম লেনোননা হায়, ঙসি পাঙথোক্লিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ারিবা এস ঐচ জি মেম্বর অমসুং মীপুম খুদিংমক্তা বেঙ্ক একাউন্ট হাংনবগী ৱাখল অমদি হৈনবীগী ৱাখল পোকহন্নবনি।

হৌজিকফাওবা ইন্সুরেন্স য়াওদ্রিবা মীওইশিংনা পি এম এস বি ৱাই, পি এম জে জে বি ৱাই অমসুং এ পি ৱাই পেন্সন য়াওহন্নবা হোৎনবা অমদি অন-ওথোরাইজদ ওইবা দিপোজিৎ স্কিম মল্টি লেভেল মার্কেটিং ফ্রাউদ পোঞ্জি স্কিমগী খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোক্নবা মীয়ামদা এৱার্নেস অসি পীদুনা খঙহনবনি। অশোয় অঙাম য়াওরকপা মতমদা বেঙ্কতা থৌনা লৈনা ৱাকৎপা ঙম্নবগী পান্দমদা এৱার্নেস অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

এন আই এ না ফাজিনখিবা মীওই ৩ থাদোকউ হায়না তকশিল্লদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :

এন আই এ না ফাজিনখিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীওই ৩ অথুবদা থাদোকউ হায়না ঙসি খোংহাম্পাৎ ময়ায় লৈকায়গী নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোংহাম্পাৎ ময়াই লৈকায় ৱিমেন্স এসোসিয়েসননা শিন্দুনা খোংহাম্পাৎ ময়াই লৈকায়দা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা এন আই এ গী থৌওং য়ানিংদে, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌওং য়ানিংদে, পিছ টোল্কতা লৈবা লুপকী মীওই ৩ ফাজিনবা য়ানিংদে হায়না থাবা প্লে কার্দশিং পায়দুনা ৱাকৎ মীফম অদুদা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী এ প্রভাপতিনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা পিছ এগ্রিমেন্ট চথরিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীওই ৩ এন আই এ না ফাজিনবগী থৌওং য়ানিংদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌওং অসিনা পিছ এগ্রিমেন্ট চথরিবা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না থওইদবনি হায়না লৌদবা ঙমদে। অথুবা মতমদা ফাজিনখিবা মীওই ৩ কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়খি।

অমরোমদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা উয়োল অপুনবা মৈরা পায়বী অমসুং উয়োল য়ুথ ক্লবকী থৌমীশিং য়াওনা মীয়ামগী ওইবা মৈরাগী খোঙচৎ চৎতুনা এন আই এ না ফাজিনখিবা মীওই ৩ কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়না খোঙজং চংশিনখ্রে।

মৈরা খোঙচৎ অদুদা ৱি ৱান্ট পিছ, মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা কনাগুম্বা অমত্তনা শিংনরকপা য়ারোই, লৈঙাক্কা পিছ টোল্ক এগ্রিমেন্ট তৌনদুনা লৈরিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফ কী চিফ ওফ দি আর্মি অমদি ষ্টাফ য়াওনা মীওই ৩ এন আই এ না ফাজিল্লিবা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়না রেল্লি চৎখি।

এম এম দব্লিউ ও না কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :

মমাং চহীগী মে ৩ দগী লমদমসিদা থোরক্লিবা ইরাং অসিদা লমদম অসি কন্নবগীদমক্তা অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়া পুনশিন্দুনা অপুনবা মণিপুর অমগীদমক থবক তৌরিবা ফোক্সকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মনিহারগী য়ুমদা বোম লংশিল্লম্বগী থৌওং অসি মণিপুর মৈতৈ পাঙ্গল ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন এম এম দব্লিউ ওনা কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোরক্লি।

এম এম দব্লিউ ও গী সেক্রেটরি জেনরেল খুথৈবম ৱাদিয়া হাসননা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারদুনা থৌদোক অসি কনানা করিগীদমক তৌবনো হায়বদু অথুবদা মীয়াম খঙনা শেংদোকপীয়ু। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়না এম এম দব্লিউ ওনা অপিল তৌরক্লি।

চথরক্লিবা লান অসিনা লমদম অসিদা খুন্দারিবা মীওই কাংলুপ খুদিংমক অৱা চৈথেং নংলিঙৈ মরক অসিদা মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী ওফিসতা বোম লংশিনবা, ওফিস মৈ থাবা অমদি লূপকী মরুওইবা থৌমীশিংগী য়ুমদা বোম লংশিনবনচিংবা থৌদোকশিং থোরকপা অসি লাইবক থীবনি। ঈ মশেল মরক্তা অসিগুম্বা মীওইবগী পুন্সি মাংবা য়াবা থৌদোকসি অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়রি।

ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ৱাখল তান্নদবা লৈরগসু ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনসি। চহী অসিদা শকখঙদবা মীওইশিংনা মী ফারগা রেঙ্সম তানবগী থবক অমা চথরক্লিবা অসিনা লমদম অসিদা খুন্দারিবা মীচম মীয়ামদা অকি-তুজুংবা পোকপগা লোয়ননা য়ুমদগী মপান থোকপা কীনরে। অসিগুম্বা মীশিবা য়াবা থৌদোকশিং থোকহল্লিবা মীওইশিং অসি মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েংশিনবীদুনা মখা তানা থোক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

পিঙ্ক ফাউন্দেসননা রিলিফ কেম্পতা তেঙবাংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা তাবদগী লাঞ্জেন্নরক্লবা সুগুনু অমদি সেরৌগী মীওইশিংদা ফিলানথ্রোফিক ওর্গনাইজেসন পিঙ্ক ফাউন্দেসননা ব্লাঙ্কেট, সোল, শেৎ-চানবা ফিরোল কয়া তেঙবাংখ্রে।

তেঙবাং পোৎলমশিং অদু ৱাঙুদা লৈবা এল ৱাই সি ক্লব রিলিফ কেম্প অমদি সেরৌদা লৈবা সোসিয়েল ৱেলফেয়র ক্লব সেরৌনা চল্লাইবা ইমা নুংথোং লাইরেম্বী রিলিফ কেম্পদা লৈবা মীওইশিংদা খুৎশিন্নখি।

তেঙবাং খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ফাউন্দেসন অসিগী ফাউন্দর আর কে সুসাননা ফোঙদোরকপদা অৱা-অনা তারবা মীওই খুদিংমক্তা চেল্লিবা মীনুংশি অসি মীপুম খুদিংমক্তা চেল্লি। মরম অদুনা ঙসি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা তেঙবাংলিবা রিলিফ মেটরিয়েল অসি ঐগী থম্মোয়দা ফাওরকপা মীনুংশিগা লোয়ননা তেঙবাংজবনি। অৱাবা তারে হায়দুনা নিংহন্নবা লৈতনা ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরবদি ঐখোয়গী হান্নগী পুন্সিরোলদা হঞ্জিল্লকপদা নত্তনা হেন্না চাওখৎপা ঙমগনি হায়খি।

এস এস য়ু এমগী ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :

সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরগী ৯ শুবা ফাউন্দেসন ডে মীয়ামগী মীনুংশি অমদি তেঙবাংগা লোয়ননা নুংশিকোল পাক চানা ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা ফাউন্দেসন ডে অদুদা ইরমদমগীদমক থৱায় থাগ্রবা অথৌবা ৪ গী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লিশীং ২০/২০ পাংখি। মখা তানা ইরমদম কন্দবা য়াদে হায়দুনা লাম্হেংনবদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদসু অঙম্বা মতেং পাংখি।

থৌরম অসি পাঙথোকপদা মতেং পাংলকখিবা পুকচেল চাউরবা মীওইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইরমদম অসিদা ইমাশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং ইকায়খুম্নবা ওইনা মহৈরোয় নুপীমচা ২০ দা লেম্না এস কে ৱিমেন্স কোলেজ অমদি হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা লেম্না মহৈ তমহনগনি হায়রি।

ꯑꯦꯛꯁ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯑꯦꯟ ꯂꯣꯀꯦꯟꯅꯥ ꯋꯥꯐꯝ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯟ ꯁꯤꯇꯤꯖꯦꯟ ꯑꯃꯒꯤ ꯚꯣꯇꯤꯡ ꯔꯥꯏꯠ ꯃꯁꯛ ꯈꯪꯗꯕꯅꯤ

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯹ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ):

[illegible]

/ খঙহঞ্জবা

লাক্লিবা তাং ২৪/০৩/২০২৪ ইং লমতাগী ১৪নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌরগা তাং ০১/০৪/২০২৪ ইং লমতাগী ২২নি পানবা ইরাই নুমিৎ ফাওবা অন্দ্রোগী ইপা ইবুংঙো পনম নিংথৌ উমংলাই হরাওজগনি। মরম অসিনা খুলগী থায়নদগী চৎনরকপা ত্রেদিসনেল কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না অন্দ্রো খুল মনুংদা লৈবা মী নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা হরাওরিঙৈ মনুংদা অন্দ্রো খুল মনুংদা লৈবা, অহিং য়ারেকপা, চঙবা য়াদে। মরম অসিনা লাই হরাওরিঙৈ মনুংদা মণিপুরদা লৈবিরিবা প্রজা পূম্নমক্কা অন্দ্রো খুলদা চঙবীরক্তনবা প্রেস অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী খূত্থাংদা নোল্লুক্কা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবা : এস ঐচ চন্দ্র মৈতৈ
খুল্লাকপা, সনা পোকপা চকপা অন্দ্রো পনম
নিংথৌ মৈহৌবীরোল পানা লোয়শঙ

HL-P/10115/19,20

Office of the
ENCHANT FUTURE EMPOWERING CENTRE
Wahengbam Leikai Near Hotel Bheigo
Kaidongfam Building Top Floor

EMPLOYMENT NEWS

SL.NO	NAME OF THE POST	QUALIFICATION	SALARY
1	Security (Male)	VII	8,000 - 13,000
2	Cargo Loader	X	11,500-15,000
3	Sales Associate	XII/XII Appearing	18,000-20,000
4	Lounge Associate	XII/XII Appearing	16,500 & Above
5	F&B Staff	XII/XII Appearing	16,000 - 20,000
6	Delhi Duty Free	Any Graduate	22,000-28,000
7	Business Development Executive	Any Graduate	18,000 - 22,000
8	Relationship Manager	Any Graduate (Min. 50%)	20,000-24,000

Last Dt. of Form Submission : 22nd March, 2024
Date of Interview : 23rd March, 2024
7005947474
HL-P/9063/15,17,18,19,20,21

/EMPLOYMENT NEWS

1. Haryana Police Recruitment 2024 Apply Online for 6000 Constable Vacancies
Haryana Constable Recruitment 2024 Apply Online @ adv012024.hryssc.com: The Haryana Staff Selection Commission (HSSC) Panchkula invites online applications for direct recruitment to 6000 posts in the Police department through the Common Entrance Test (CET) for Group-C qualified candidates, as per Advertisement No. 1/2024. Online registration for the Haryana Police Constable Vacancy 2024.
* For technical assistance, candidates may contact the Help Desk at 18005728997 (available on all working days from 10 AM to 5 PM) or email at **hssc012024@gmail.com**. The deadline for online application registration is **21/03/2024** (Thursday).
Apply Link : https://adv012024.hryssc.com/hssc/employeeOnboardingHomepage

2. SSC Sub Inspector Recruitment 2024 Apply Online 4187 Vacancies
SSC SI Delhi Police CAPF Recruitment 2024 Notification Pdf, Online Application available from 4th March 2024 @ ssc.gov.in: The Staff Selection Commission (SSC) will conduct Open Competitive Examination for recruitment of Sub Inspector (SI) in Delhi Police and Central Armed Police Forces (CAPFs). The SSC SI in Delhi Police & CAPFs Online Form 2024 start from 4th March 2024 to 28th March 2024.
Eligible candidates must apply online through the SSC Official Website (ssc.gov.in). Visit the newly launched SSC official website at **ssc.gov.in**, then click on the "Apply" button in the Quick Links Category.
The last date for the registration of online applications is **28/03/2024** (Thursday) up to 23:00 Hours.

3. Police Recruitment 2024.mahait.org (17471 Constable Posts) Apply Online
Maharashtra State Police has published recruitment notification of Total 17471 Vacancies of 9595 Police Constable , 1686 Police Constable Driver, 1800 Jail Constable, 4349 Armed Police Constable, and 41 Police Constable Bandsman posts in Maharashtra State Prison Department. Eligible Interested candidates should apply online for Maharashtra Prison Department Jail Constable 2024 through Official Online Portal policerecruitment2024.mahait.org from 5th March 2024 to **31st March 2024.**
* Eligible candidates should apply online for Maharashtra Police 17471 Constable Posts through policerecruitment 2024.mahait.org Website from 5th March 2024.

4. ESIC Nursing Officer Recruitment 2024 (1930 Posts), Apply Online, Notification
UPSC Advertisement No. 52/2024 for selection of 1930 Nursing Officer Vacancies in ESIC. Union Public Service Commission (UPSC) invites online applications from eligible Indian Citizens for direct recruitment by selection of Nursing Officer in Employees State Insurance Corporation (ESIC), Ministry of Labour and Employment. The ESIC Nursing Officer Vacancy 2024 Online Registration will be made through UPSC Online Portal (**upsconline.nic.in**) from 7th March 2024. The last date for registration of online applications is **27th March 2024**.

5. RRB Technician Notification 2024 Apply Online link [9144 Posts]
Last Updated March 14, 2024 by Prabhu
RRB Technician Recruitment 2024 Notification Out, Apply online for 9144 vacancies, Registration starting from 9th March to 8th April 2024. The Government of India, Ministry of Railways, Railway Recruitment Boards (RRBs) has issued a suggestive Centralised Employment Notification (CEN) for Technician Vacancies across all Railways. On January 31, 2024, Indian Railways published a Tentative Timeline Notification for Technicians. According to the Official Notice, the RRB Technician Notification will be featured in Employment News Paper/ Rojgar Samachar in March 2024. The las date for submitting RRB Technician 2024 Online Applications is 8th April 2024. On this page, IndGovtJobs.in provides Free Job Alert of Railway Technician Official Notification Pdf, Eligibility, Age Limit, Salary, Selection Process, and instructions for Online Application.
* Eligible candidates who willing to apply for Railway Technician 2024 should apply online through any one of Railway Recruitment Board (RRBs) or RRB Technician Online Portal (**www.rrbapply.gov.in**) from 9th March 2024, and only one online application has to be submitted.
* **Last Date:** The closing date for the submission of the online application is 08/04/2024 (Monday) up to Midnight.
Help Desk: For Technical Queries contact Phone Number: 9592-001-188 / 0172-565-3333 (OR) Email rrb.help@csc.gov.in.

CROSSWORD-4087



ACROSS
1. Chinese martial art(4,2)
4. Fencers' weapons(6)
8. Rail transport(5)
9. Antarctic bird(7)
10. Euphoria(7)
11. Upright(5)
12. Evaluated(9)
17. More mature(5)
19. Wretched(7)
21. Squirm(7)
22. Tendon(5)
23. Mourn(6)
24. Crunchy salad vegetable(6)

DOWN
1. Young cat(6)
2. North American falls(7)
3. Mushrooms and toadstools(5)
5. Marvels(7)
6. Itinerary(5)
7. Soundness of mind(6)
9. Large fleshy fruit(9)
13. Model of perfection(7)
14. Protection(7)
15. Gardener's tool(6)
16. At a leisurely pace(6)
18. King of Troy(5)
20. Savour(5)

Solution of 4148

A	R	C	H	■	A	P	E	R	I	T	I	F
N	■	A	■	A	■	O	■	I	■	O	■	A
C	A	R	A	M	E	L	■	V	E	R	D	I
E	■	G	■	U	■	I	■	A	■	P	■	R
S	P	O	I	L	■	T	I	L	L	E	R	■
T	■	■	■	E	■	E	■	■	■	D	■	C
O	D	D	I	T	Y	■	U	P	R	O	A	R
R	■	A	■	■	■	A	■	I	■	■	■	E
■	T	R	I	P	O	D	■	F	A	C	E	D
Z	■	L	■	U	■	A	■	F	■	R	■	I
E	D	I	C	T	■	G	A	L	L	A	N	T
R	■	N	■	O	■	E	■	E	■	W	■	O
O	R	G	A	N	I	S	T	■	S	L	U	R

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5447

		7		5				
	5	8						
9	6					7		
3				7	9			8
6	7		3		2		9	5
8			5	4				3
		1					8	9
						2	6	
				2		5		

Solution of 5446

1	8	2	5	3	6	4	7	9
6	5	7	9	2	4	1	3	8
9	4	3	1	7	8	6	2	5
2	6	5	7	8	9	3	4	1
4	7	9	3	1	2	5	8	6
3	1	8	4	6	5	2	9	7
7	2	1	8	5	3	9	6	4
8	9	6	2	4	1	7	5	3
5	3	4	6	9	7	8	1	2

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

Unique Education CBSE
Estd.2007
The first CBSE & ICSE Coaching Centre at Imphal.
ADMISSION OPEN
5-months Foundation for CBSE IX & X
5-months Foundation for CBSE & CoHSEM XII Sc.
1st-April-2024
IX & X -- English, Maths, Science & S-Science
XI & XIISc.-Physics, Chemistry, Biology & Maths
Vacation Course for NAVODAYA, SAINIK & Outsiders CBSE IX ,X ,XI, XIISc.&Arts.
3-months Foundation for CBSE / CoHSEM XI Sc.
Girls Hostel in the same block
Van service / Boys Hostel
Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express
HL-B/8647/15 to 31


ৱারী মমিং :
নুমিৎ কাপ্পা
পুয়া ৱারী লীবশিংগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা
য়েকথোকপা :
সেমসন সলাম
মশেন মবাই চেজেৎ কোন্সিন্নরম্মী।
শে ইশেন নঙনা হায়বা ইন্দুসু পুরক্লবনি, লৌশিল্লু।
ইনাইশা পুরক্লিবা পোৎশিংদু ইমুংদা পুশিল্লু।